# ব্রোইলর য়েনদা মচিঞ্জাক পীজবা

- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -

ব্রোইলর মচিঞ্জাকসি ময়াম্না চানরিবা চেঙদগী হেন্না তাঙই। মরমদি মখোয়সি অতোপ্পা মফমদগী পুশিল্লকপা ঙাক্তা ওইবনা। ব্রোইলর মচিঞ্জাক শেম্বদা মচল অয়াম্বা মফমসিদা মরাং কায়না ফংদবনিনা মপান লমদগী পুশিল্লকপনা মমলদি ৱাংনা লৈ। ব্রোইলর লোয়বীরিবা খরগী ৱাখলদদি লেপ্তুনা মচিঞ্জাক হায়বদি মচিঞ্জাক্কী পাত্রদা মচিঞ্জাক ৱাৎহন্দ্রগদি য়াম্না থুনা নোয়বা ঙমগনি হায়বগী ৱাখলদা মচিঞ্জাক হাপ্পা পাত্র খুদিংমক মচিঞ্জাক ৱাৎহন্দনা থম্মী। মসি খক তৌবীরোইদবনি। মসিনা লায়না কয়া লাকপগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি।

ব্রোইলরদা পীজরিবা মচিঞ্জাকশিংসি মচিঞ্জাক্কী কম্পেনি খেন্নবগী মতুংইন্না প্রীষ্টাটর, ষ্টাটর অমদি ফিনিসর হায়না খায়দোকপা য়াওই। মসি খরা অমদনা ষ্টাটর অমদি ফিনিসর হায়না খায়দোকপসু য়াওই। য়েনগী মচিঞ্জাকসি অনী থোক্লা ফংই। অমনা মফোন ঙাক্তা অদুগা অমনা উচি মথি মানবা মতুম মতুম তাবা অমা। হায়রিবা মতুম তাবসি শেম্বা মতমদা মচিঞ্জাক্কী মচল খুদিংমক ফুৎতোল্লগা মেছিন্দা মতুম মতুম শেম্লকপনি। মসিনা চাশিনখ্রগা তুম্বগী চাং অমদি মহাও হেনগৎহল্লি। প্রীষ্টাটরদা য়াওরিবা প্রোতিনগী চাংসি গ্রাম অমগী মচিঞ্জাক্তা চাদা ২৪-২৫ ফাওবনি অমদি মসিদা য়াওরিবা এনর্জিগী চাংনা ২৮০০ কিলো কেলোরিনি। হায়রিবা মচিঞ্জাকসি পুরকপা নুমিৎতগী হাপ্তা ২ ফাওবা পীজবীগনি। মথংগী মচিঞ্জাক হায়বদি ষ্টাটরসিনা হাপ্তা ৩দগী ৫ ফাওবা পীজবীগনি। মসিদা য়াওরিবা প্রোতিনগী চাংসি ২২-২৩নি। অদুগা এনর্জিগী চাংনা ২৮০০-২৯০০ কিলো কেলোরিনি। অরোইবদা পীজরিবা মচিঞ্জাক মখলসিনা ফিনিসর কৌই। মসি হাপ্তা ৫গী মতুংদগী য়োনদ্রিবা ফাওবা পীজবীবা য়ারে। মসিদা য়াওরিবা প্রোতিনগী চাংসি গ্রাম অমগী মচিঞ্জাক্তা চাদা ১৯-২০নি অদুগা এনর্জিগীনা ২৯০০-৩০০০ কিলো কেলোরিনি।

কম্পেনি খরদনা মচিঞ্জাকসি মখল অনী থোকই। অহানবদা ষ্টাটর ফীদ, মসি য়েনাওনা পুরকপা নুমিৎতগী হাপ্তা ৪ ফাওবা অদুগা ফিনিসরনা হাপ্তা ৫দগী য়োন্দ্রিবা ফাওবা পীজবীগনি। নীংশিংবীগদবা অমনা মচিঞ্জাক মখল অমা পীজবা লোইরমদাই নুমিৎ ৩-৪নি ৱাৎলিঙৈদগী অতোপ্পা মখল হায়বদি মথং পীজগদবা মচিঞ্জাক্কুগা য়ান্নবীরগা পীজবা হৌবীগনি। মসিগী মতুংদা কোন্না পীজগদবা মচিঞ্জাক্কুনা চাং হেন্না হাপ্তুনা পীজরগা তুংদা অকোনবদুনা মপূং ফানা পীজবীগনি। মসিনা চাবা তুমদবা হায়বদি দাইরিয়াগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি। মথক্তা পীজবগী মওংসি খুদম ওইনা হায়রবদা অহানবদা প্রীষ্টাটরদগী পীজবা হৌগনি। মসি নুমিৎ ২৪নি পীজগদবসিনা নুমিৎ ১০নি শুরকপদগী ষ্টাটর য়ানবীদুনা পীজবা হৌবীরক্কদবনি। অহানবদগী প্রীষ্টাটরগী চাং ৱাংলম্বদগী অসুম অসুম হন্থহন্দুনা ষ্টাটরগী চাং ৱাংহন্দুনা তুংদা ষ্টাটর ঙাক্তা পীজবীগনি। অচুম্বা ষ্টাটরদগী ফিনিসর ওন্থহনবদসু মথক্তা হায়জরিবা অসুম্না পীজবীগনি। মচিঞ্জাকসি অহানবদা পীজবা মতমদদি য়েনাও হেক পুরক্লগা মকোন্দা হাপ্পীরবা মতুংদা ইলেক্ট্রোলাইট পীথকপীরবা মতুং পুং ১ লৈরগা মচিঞ্জাকসি মকোন মথক্তা পাউচে/চে থাবীরগা মচিঞ্জাকসি চাইথোকপীগনি। মসিদা য়েনাওনা নীংথিনা চারবা মতুংদা অমুক অপাকপা পুখমগুম্বদা অমুক থম্বীরগা চাবা অমুক হৌহনবীগনি। মসিগী মতুংদা মচিঞ্জাক হাপ্পা পাত্রদা হাপ্পগা হুমনি শুবদগী পীজবা হৌবা য়ারে। অহানবা নুমিৎ নীনিদি মচিঞ্জাক ৱাৎতনা পীজবীগনি। মসিদসু ঈশিং ৱাৎতনা থম্বীগনি। মচিঞ্জাকসি নোংমদা অহুম্লক থোক্লা পীজবীগনি। মচিঞ্জাক অনৌবা হাপ্পা খুদিংগী পাত্রদু শেংদোকপীরগা হাপ্পীগনি। অহানবদদি মচিঞ্জাক্কী পাত্র খুদিংমক পীক থন্না হাপ্পীদুনা য়েনাওদা মচিঞ্জাক চাননবা এনকরেজ তৌবীগনি। মসিগী মতুংদা মচিঞ্জাক্কী পাত্রদা তঞ্চায়দগী হেন্না হাপ্পীরোইদবনি। হঙ্গৎনা য়েংলুবদা -

- করিগুম্বা মচিঞ্জাক্কী পাত্রদা মচিঞ্জাক পীক থন্না হাপ্লগদি চাদা ৩০দি মচিঞ্জাক মাঙই।
- করিগুম্বা মচিঞ্জাক্কী পাত্রদা মচিঞ্জাক শরুক অহুম থোকপগী ২ থন্না হাপ্লগদি চাদ ১০ মাঙই।
- করিগুম্বা মচিঞ্জাক্কী পাত্রদা শরুক অহুম থোকপগী অমা হাপ্লগদি চাদা ১ মাঙই।

য়েন চাউরকপগী মতুংইন্না অপিকপা পাত্রদা মচিঞ্জাক পীজরম্বদু অচৌবদা অমুক ওন্থোকপীরক্কনি। মচিঞ্জাক পীজবা মতমদা ঈশিংসু মতম পূম্বগী ওইনা ৱাৎতনা থম্বীগনি। ঈশিং অমদি মচিঞ্জাক হাপ্পগী পাত্রগী মওং মখাদা থমজরি।

মচিঞ্জাক .... ঈশিং .... মচিঞ্জাক
ঈশিং ... মচিঞ্জাক ... ঈশিং

য়েন মকোন্দা মচিঞ্জাক অমদি ঈশিং থম্বগী মওং।

য়েনগোন্দা য়েন মশীং য়াম্না লৈরগা মচিঞ্জাক হাপ্পগী পাত্রদু য়ামদনা লৈবা থেংনৈ। মসি তৌবীরোইদবনি। মরমদি মচিঞ্জাক থারকপা মতমদা য়েন অমগা অমগা মচিঞ্জাক মুন্নদুনা চানবা হোৎনবদা এনর্জিগী চাং য়াম্না হন্থে অমদি লূম্বগী চাংসু হন্থহল্লি। য়েন অমদা চঙগদবা মাগী চান্নবা মফমদু মখাদা পীজরি।

| চহী | চান্নবগী মফম/য়েন |
| --- | --- |
| ওনবা নুমিৎতগী নুমিৎ ১৪শুবা | ২.৫ সী এম/১" |
| নুমিৎ ১৫দগী ৪২শুবা | ৪.৫/১.৭৫" |
| নুমিৎ ৪৩দগী য়োনবা ফাওবা | ৭.৫/৩" |

মচিঞ্জাক হাপ্পগী পাত্র খুদিংমক ৱাংখৎনা থম্বীগনি। ৱাংখৎনা থম্লগদি মচিঞ্জাক চাবদা হেন্না চাবা ঙম্মী। ৱাইকুপ ময়াম অমা মচিঞ্জাক্তা তাশিনবগী চাং য়াম্না হন্থে। মচিঞ্জাক হাপ্পগী অৱাংবসি য়েনগী মনীংগী অৱাংবসিনা মচিঞ্জাক্কী পাত্রগী মথক্কী মপানগা ৱাংবা মান্নহনগনি।

য়েনাওনা চয়োল অনীশুবা ফাওবসিদা নীংথিনা পীজহৌবসিনা তুংদা মশা মউ ফনা লৈবা ঙমহল্লি।

মসিদসু নত্তনা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি। চয়োল অনী ফাওবদা য়েনাও অমনা মচিঞ্জাক ৪৫০-৫০০ ফাওবা চাখ্রগদি মাগী লূম্বগী চাংসি ৩১৫-৩৯০ ফাওবা য়ৌই।

ব্রোইলর লূম্বগী মতুংইন্না পীজবগী চাং :

| চহী | লূম্বগী চাং (জি) | নুংতিগী পীজগদবা (জি) |
| --- | --- | --- |
| ১ | ১২০-১৩০ | ১৪-২১ |
| ২ | ৩১৫-৩৯০ | ৩২-৬০ |
| ৩ | ৫৪০-৭৩৫ | ৫০-৭৭ |
| ৪ | ৮২৫-১১০০ | ৬৭-৯৪ |
| ৫ | ১১৮৫-১৪৭৫ | ৯০-১১৫ |
| ৬ | ১৫৬০-১৮৮০ | ১০৫-১৩৫ |
| ৭ | ১৯২০-১২৯০ | ১১৭-১৫২ |
| ৮ | ২১৯০-২৪২৫ | ১৫০-১৭০ |

মচিঞ্জাক পীজবদা চেকশিনবীগদবা কাঙলোন খরা :

- য়েনাওশিং লুম্না থম্নবা হোৎনবদা মচিঞ্জাক্কী পাত্র খুদিংমক মফম চানা থম্বীগদবনি। পীরিবা মৈশা মনাক নক্লা মচিঞ্জাক্কী পাত্রদু থম্বীরোইদবনি। লুমহনবা লোইরবা মতুংদদি মচিঞ্জাক্কী পাত্র খুদিংমক নুমিৎকী মৈশা ফংবা মফমদা থম্বীগদবনি।
- মচিঞ্জাক্কী পাত্র খুদিংমক মচিঞ্জাক হাঙহন্না থম্বীরোইদবনি। করিগুম্বা হাঙলবা তারগদি য়েন থল্লিবা ৱাইশিং অদু খোৎলগা চাবা হৌরক্কনি। য়েন অমগা অমগা চিক্লবগী চাংসু ৱাংহল্লি। মসিনা লায়না পোক্লক্তুনা শিবগী চাং ৱাংহল্লি।
- মচিঞ্জাক্কী পাত্র মশীং হন্থনা থম্বীরগদি মচিঞ্জাক চাবা মতমদা অমগা অমগা কৃক কৃক ইন্নদুনা চাবা ৱাৎপা অমদি মচিঞ্জাক লৈমায়দা হৈদোকপা অসি য়াম্না তোয়না থোকই। মরম অসিনা য়েন মশীংগী মতুংইন্না পীজ পীথকপগী পাত্র থম্বীগদবনি।
- অরিবা মচিঞ্জাক পীজবীরোইদবনি। করিগুম্বদা মতুম তাশিন্দুনা লৈবা নৎত্রগা কোকফাই শুজা কাবা থেংনরগদি হায়রিবা মচিঞ্জাকসি পীজবীরোইদবনি।
- য়েনগী মচিঞ্জাকশিং মফোনগী শরুক্লা য়াম্না হেনহল্লোইদবনি। মরমদি মচিঞ্জাক চাবা মতমদা মচিন্দা নৎত্রগা খৌনাওদা নপ্পা থোকখ্রগদি মচিঞ্জাক চাবা ৱাৎলি। মসিনা লূম্বগী চাং হন্থহল্লি।
- য়েন মচিঞ্জাক হাপ্পা মতমদা করিগুম্বা লেম্বা তারগদি লেল্লিবা মচিঞ্জাক্তু অনৌবা মচিঞ্জাক্কা তোৎশিন্নরগা পীজবীগনি।

য়েন লোয়বা মতমদা মচিঞ্জাক্কা হেন্না চঙবা মরম্না ঐখোয়না পীজবা মতমদা হেন্না চেকশিন্না পীজবীগনি। বন্দ/ব্লোকেদ তৌবা মতমদা য়েন মচিঞ্জাক্কী মমলসি অসুক্কী মতিক ৱাংই। মসিনা য়েন লোয়রিবা কাঙবুশিংদা অচৌবা অৱাবা অমা ওইবতা নত্তনা শেন্দাল লম্বী অমা ওইনা য়েন লোয়বদা চঙশিল্লক্লিবা খুদিংমক্কা অৱাবা কয়াসি মায়োক্লবগা লোয়ননা য়েন লোয়বদা শেন্দোং ফংনা লোয়বা ঙমহন্দে। অৱাবগী মথক্তা অৱাবা অমা ওইহল্লি অমদি য়েন লোয়নীংবগী ৱাখল লৈহন্দে। মরম অসিনা য়েন লোয়বীরিবা কাঙবুশিংবু য়োকখৎমিন্নসি। ●

# মণিপুরগী ঙা পুথোকপগী চাং

— ডাঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ —

ঐখোয়গী লমদম মণিপুর অসি ঙা পুথোকপা অমদি ঙা চাবদা ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংগা চাংদম্নবদা মাঙজিল থানা চৎলি। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা লৈরিবা ষ্টেটশিং অসিদা পুথোক্লিবা ঙা অসি লৈবাক পূম্বগী ওইবা অপূনবা ঙাগী চাদা ৪.৯৬ ওইরি। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরনা ঙা য়াম্না পুথোকপদা অহুমশুবা ষ্টেট ওইরি। অসাম অমসুং ত্রিপুরানা অহানবা অমদি অনীশুবা ঙা য়াম্না পুথোকপা ষ্টেট ওইরি।

মণিপুরগী ওইনা ঙা পুথোকপসি পাৎ, তুরেল অমদি পুখ্রিনচিংবদগী ওইরি। কুমজা ২০১৯-২০গী মণিপুরগী ঙা পুথোকপগী চাংসি টন লিশীং কুন্থ্রানিথোইগা দসমিক মঙা অনী (32.52 thousand tonnes) ওইরি। ঐখোয়গী লমদম অসিগী এনিমেল প্রোটিনগী মরু ওইবা ফংফম অসি ঙাদগী ওইরি। তৌইগুম্বসুং ঙা য়োকপদদি খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মহৌশাগী ওইবা ঙা খূৎয়োক্তগী য়াম্না খুমাঙ চাওশিনবা ঙমদ্রি। তৌইগুম্বসুং ঙা চাবগী চাংসু য়াম্না ৱাংনা লৈরি।

ঙা চাবগী চাং ৱাংবা অসি অফবা থৌওং অমনি। লমদম অসিদা খুন্দারিবা মীওই অয়াম্বনা ঙাবু পাম্না চানরি। সহরগী লমশিংদা লৈবা মীওইশিংগী চাদা ৮১ ঙা চাই অদুগা খুঙ্গংশিংদা লৈবা য়ূমথোঙগী চাদা ৬৬ ঙা চাই। কুমজা ২০১৯-২০দা মণিপুরনা ঙা চাবগী চাং অসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা অয়াম্বা ষ্টেটশিংদগী হেন্দুনা অহুমশুবা ঙা খ্বাইদগী চাবা ষ্টেট ওইরি।

মণিপুরগী মীওই অমনা চহী অমদা ঙা কিলোগ্রাম ১৪.১ চাই হায়না পানরি। মরম অসিনা মণিপুরগী ওইনা ঙা পুথোকপগী চাং অসি দরকার ওইবগী চাং অসি অসুক্কী মতিক খেন্নরি। কুমজা ২০১৯-২০গী ওইনা ঙাগী দরকার ওইবা অসি টন লিশীং য়াঙ্খেনিথোই ওই অদুগা ঙা পুথোক্লিবা অসিনা টন লিশীং কুন্থ্রানিথোই রোম খক ওইরি। মরম অদুনা টন লিশীং কুনরোম অসি অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী চহী অমদা পুশিল্লক্লি। লমদম অসিগী ঙা পুথোকপগী চাং নেল্লিবগী মরু ওইবা মরমদি ঙা মচিঞ্জাক্কী মমল ৱাংবা, ঈশিংগী অৱাৎপা অমদি ঙা য়োক্লিবা মফমশিংদা ঈশিং ঈচাও তোয়না থোকপা অসিনচিংবনি।

মণিপুরগী ওইনা চহী খরদা ঙা পুথোকখিবা অমদি দরকার ওইবশিং খঙমিন্নসি।

| চহী | দরকার ওইবা ('০০০ টন্স) | পুথোকপা ('০০০ টন্স) |
| --- | --- | --- |
| ২০১২-১৩ | ৩৫.৭৩ | ২৫.০০ |
| ২০১৩-১৪ | ৩৭.০৩ | ২৮.০০ |
| ২০১৪-১৫ | ৩৯.০৫ | ৩০.৫০ |
| ২০১৫-১৬ | ৪০.৮১ | ৩১.৯৯ |
| ২০১৬-১৭ | ৪০.৮১ | ৩০.০৮ |
| ২০১৭-১৮ | ৫২.১১ | ৩১.৩৫ |
| ২০১৮-১৯ | ৫৩.০৭ | ৩২.৫৭ |
| ২০১৯-২০ | ৫২.০০ | ৩২.৫২ |
| ২০২০-২১ | ৫৬.০৬ | ৩২.৮৭ |

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা দেটাশিং অসি ফিশরিজ দিপার্টমেন্টতগী লৌজবনি অদুবু ইশানা শেমজবদা অশোয় অঙাম খরা য়াওরম্বসু য়াই। তৌইগুম্বসুং চাওরাকপা ৱাফম অমদি খঙলে মদুদি লমদম অসিগী ঙা পুথোকপগী চাং অসি দরকার ওইবা ঙাগী চাংদগী য়াম্না নেম্লে। মরম অদুনা ঙা পুথোকপগী চাং হেনগৎহনবা মথৌ তারি। মতাং অসিদা লৈঙাক অমদি ঐখোয় খুদিংমক্কা কন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবসু লৈরি। দিপার্টমেন্ট ওফ ফিশরিজ, মণিপুরনসু লমদম অসিগী ঙা পুথোকপগী চাং হেনগৎহন্নবা কন্না হোৎনরি। পুখ্রিদা ঙা য়োক্লগা পুথোকপা অসি নত্তবা থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা ঙাগী ঙায়োক হেনগৎহনবসু য়াম্না তঙাইফদবা অমা ওইরি।

খুদম ওইনা হায়রবদা রিজর্ভরশিংগী ঙা পুথোকপগী চাং হেনগৎহনবা, কেজ কলচর তৌবা, মহৌশাদগী লৈজরক্লিবা ঙাশিংবু কনবা অমদি অনৌবা টেক্নোলোজি কয়া পাঙথোক্তুনা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহননবগী হোৎনবসু মথৌ তারি। ●

ষ্টেটকী পাউ

# কম্মিসন লিংখিদবা চহী ৭ হেনবগী এয়রমার্ক তৌখিবা শেনফমশিং...

*লামায় ১গী মখা...*অদুগা কুমজা ২০১৮গী ওগষ্টতগীদি সিনিয়র এদভোকেট খাইদেম মনিবু অহানবদা মেম্বর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরবা মতুংদা কম্মিসন অসিগী চ্যেরপর্সনগী থবকসু তৌনবা (এক্টিং চ্যেরপর্সন) এপোইন্টমেন্ট পীদুনা অহুম্লকশুবা মণিপুরগী হ্যুমেন রাইযস কম্মিসন লিংলকখিবনি। হৌজিক্লা চৎলিবা কুমজা ২০২২গী ওগষ্টতা মহাক্কী টর্ম লোইশিনখিবনি।

মতাংসিদা লাক্লিবা ৱাফমদি কুমজা ২০১০গী মে ১০দগী হৌরক্লগা সিনিয়র এদভোকেট খাইদেম মনিবু এপোইন্টমেন্ট পীদুনা কম্মিসনগী থবক থৌরমশিং তৌহনখিবা ওগষ্ট ২০১৮গী মরক্তা লৈখিবা চহী ৭ হেনবা মতমশিং অসিগীসু মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি মণিপুর হ্যুমেন রাইযস কম্মিসনগীদমক থা খুদিংগী শেল খরা খরা এয়রমার্ক তৌদুনা থমখি হায়বসিনি।

মসিগী মতাংদা চৎলিবা চহীসিগী ওগষ্ট, ২০২২দা মতম লোইশিনখ্রবা অহুমশুবা কম্মিসনগী ওফিসল খরদগী ফংবা পাউনা হায়বদা, অনীশুবা কম্মিসনগী মতম লোইশিনখ্রবা মতুং মে, ২০১০দগী অহুমশুবা কম্মিসন লিংদ্রিঙৈগী মরক্তা লৈখিবা চহীশিং অসিগীসু চহী চহীগী ওইনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লুপা লাখ ২০/২০ এয়রমার্ক তৌই হায়বসিনি। অদুগা মখোয়গী অহুমশুবা কম্মিসন লিংলকপদগীদি কম্মিসনগী মথৌ তাবা থবক থৌরমশিংগীদমক লুপা ক্রোর ১গা লাখ ৯৬ রোমগী শেনফম এয়রমার্ক তৌদুনা সেঙ্কসন তৌরকখি হায়রি।

য়ামখৎলক্লবা শেনফম অসিগী চাং য়ৌরবা ফাওবদা মতম লোইখ্রবা অহুমশুবা কম্মিসনগী ওফিসলশিংগী মায়কৈদগী কম্মিসনগী থবক থৌরমগীদমক সেঙ্কসন তৌরকখিবা লুপা ক্রোর ১গা লাখ ৯৬ লোমগী শেনফম অসি য়ামন্দে, খরগা হেনগৎপীনবা ফোঙদোক্লরুবদা কম্মিসন লিংদ্রিঙৈদদি শুপ্নগী চহী খুদিংগী লুপা লাখ ২০/২০ খক্তমক এয়রমার্ক তৌবনি। অদুগা লুপা ক্রোর ১গা লাখ ৯৬ লোম এয়রমার্ক তৌরক্লিবা অসিদি লুপা লাখ ২০গী শেনফমদগী শরুক ৫/৬ হেন্না হেনগৎলবনি হায়না ফোঙদোরকখিবসু লৈখি হায়রি।

অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবদা হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিটি কয়াগা মরী লৈনরিবা এক্টিভিষ্টশিংগী মায়কৈদগী লাক্লিবা ৱাফমদি কম্মিসন লিংদ্রবসু লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি চহী খুদিংগী লুপা লাখ ২০/২০ রোম সেঙ্কসন তৌখি হায়রবনিনা শেনফমশিং অসি কদাইদা চৎখ্রে অমসুং করিদা শীজিন্নখিবগে হায়বসিনি।

মতাংসিদা পনবা য়াবা ৱাফম অমনা কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়দগী ক্ষেত্রিময়ূম ওনিল কৌবা হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট অমনা রাইট টু ইনফোর্মেসন (আর টি আই) এক্ট, ২০০৫গী সেক্সন ৬ (১) গী মতুংইন্না চহী অসিগী হৌগৎলকপা জন্যুৱারী ১৯, ২০২২দা মরী লৈনবা ৱাহংশিং মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদা হংখি হায়রি।

এপ্লিকান্ট অসিনা হংখিবা ৱাহংশিংগী মনুংদা এম ঐচ আর সীগী 'প্রর্জেন্ট ওর্গনাইজেসনল ষ্ট্রকচর' গী মতাং য়াওনা কম্মিসনগী 'প্রজেন্টে এদমিনিষ্ট্রেটিভ' অমসুং 'ফাইনান্সিএল ফঙ্কসনেল' অসি 'পরিজ প্রিন্সিপলস এন্দ দা প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট, ১৯৯৩ (এম্মেন্দেদ ইন ২০১৯) গী মতুংইন্না চথব্রা, কম্মিসনগী 'করেন্ট ওফিসরশিং অমসুং ষ্টাফশিংগী ষ্ট্রেঙথ' সু হংখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৫দগী কুমজা ২০২০ ফাওবগী 'ওদিটেদ একাউন্ট ষ্টেটমেন্ট ওফ মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন' ফাওবা প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট, ১৯৯৩গী মতুংইন্না পীবিনবা হায়জখিবনি হায়রি।

অদুবু এপ্লিকান্ট অসিগী অপূনবা ৱাহং ৭কী মনুংদা কম্মিসন অসিগী ওইনা প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইযস এক্ট, ১৯৯৩গী সেক্সন ২৭ (৩) গী মখাদা এপোইন্টমেন্ট পীখিবা ওফিসর অমসুং ষ্টাফশিং কয়ানো অদুগা কুমজা ২০১৫দগী ২০২০ ফাওবগী কম্মিসনগী ওদিটেদ একাউন্ট ষ্টেটমেন্টগা মরী লৈনবা ৱাহং অনীসিগী পাউখুমদদি কম্মিসনগী দেপ্যুটি সেক্রেটরিনা ফেব্রুৱারী ১৯, ২০২২দা পীরকখিবা পাউখুমদা মথংশিংনা 'এদভাইস ফোর রিপ্লাই/রেসপোন্স ফ্রোম এদমিনিষ্ট্রেসন হেদ/কম্মিস্নর (লো)' হায়না পাউখুম্লকখিবগা লোয়ননা ওদিটেদ একাউন্ট ষ্টেটমেন্টকী মতাংদনা 'পুট অপ টু এদমিনিষ্ট্রেসন হেদ/কম্মিস্নর (লো) ফোর এদভাইস' হায়বা পাউখুম খক্তমক পীরকখিবনা মণিপুর হ্যুমেন রাইযস কম্মিসনগী ওইনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কম্মিসন লিংখিদবা চহী ৭ হেনবগী মনুংদা চল্লিবা কুমজা ২০১৫দগীনা কুমজা ২০১৮গী ওগষ্টতগী কম্মিসন লিংলক্লবা মতুং কুমজা ২০২০ ফাওবগী মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী ওদিটেদ একাউন্ট ষ্টেটমেন্টদি ফংবা ঙমদ্রে হায়রি।

পাউ অসিগা মরী লৈননা অতোপ্পা সোর্স অমদগী ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না লৈঙাক্লা মতম মতমগী মতুংইন্না লিংখৎলিবা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী একাউন্ট ষ্টেটমেন্ট অসি শুপ্ন তগী কোম্পত্রোল্লর এন্দ ওদিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া খত্তনা পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

# মণিপুরগী পর-কেপিটা ইনকম ...

*লামায় ১গী মখা...*অসিগী জি দি পি ৱাংখৎহনবদা মতেং ওইগদৌরিবনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অমগী পর কেপিটা ইনকম হেনগৎহন্নবা হোৎনবদা এম এস এম ঈনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। ষ্টেট গভর্নমেন্টনসু হিরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌবগী তঙায়ফদবা লৈ। মহাক্কী মায়কৈদগীসু ষ্টেট অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা ইনকম য়াম্না লৈবা ষ্টেট অমা ওইনবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাংগনি। মথৌ তারবদি থাও/ও খুদিংগী ষ্টেট অসিদা লাক্লবগী থৌরাং ফাওবা পায়খৎকনি। অমরোমদা ষ্টেট অসিদা টুরিজম সেন্টর অমসুং ইন্দষ্ট্রিয়ল হবশিং লীংখৎনবা হোৎনগনি অমদি ঙসি পাঙথোক্লিবা সেমিনার অসিদগী কান্নবা লৌদুনা ষ্টেট অসি মপুঙ ফানা চাখৎপা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়না মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি। ঙসিগী থৌরম অদুদা মিনিষ্ট্রি ওফ এম এস এম ঈগী সেক্রেটরি বি বি স্বেন; মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি রাজেস কুমার; ট্রেদ, কন্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজকী কম্মিস্নর প্রদিপ কুমার ঝা; মিনিষ্ট্রি ওফ এম এস এম ঈগী এদিস্নেল দিভেলপমেন্ট কম্মিস্নর সুধা কেশারি; মিনিষ্ট্রি ওফ এম এস এম ঈগী জোইন্ট সেক্রেটরি মর্সি ইপাউ অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ এম এস এম ঈগী এদিস্নেল দিভেলপমেন্ট কম্মিস্নর ডা. ইশিতা জি ত্রিপাথিসু শরুক য়াখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা মায় পাক্লবা ওন্ত্রাপ্রেন্যুর কয়াসু তরাম্না ওকখি।

# ১১শুবা মণিপুর সঙাই...

*লামায় ১গী মখা...* মিনিষ্টর এন বিরেননা মহাক্কী ৱাফমশিং ফোঙদোক্লবা মতুংদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী কলচরেল প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্কনি অদুগা নুংথিল পুং ৩.০৫ তারকপদা থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেন ওইরিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জি কিষণ রেদ্দিনা ৱা ঙাঙগনি। হৌদোকপগী থৌরমগী অরোইবা ৱাঙাঙলোয়না কম্মিস্নর (টুরিজম) প্রদিপ কুমার ঝানা ওইদুনা পূম্নমকপু থাগৎ ৱাহৈ ফোঙদোকপগা লোয়ননা পার্ক মনুংদা লৈবা ত্রেদিসনেল হাটশিং য়েংবগা লোয়ননা ফুরুপ কাঙলূপ কয়াগা পূন্না ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোক্কনি। অরোইবদা নুংথিল পুং ৪দগী ফুরুপ কাঙলূপ কয়াগী কলচরেল প্রোগ্রামশিং পাঙথোকপা হৌগনি হায়রি। পনবা য়াবদি, নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১.৩০ তারকপদগী হৌনবী মতুংইন্না ফেষ্টিবেল হৌদোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা অয়ূক পুং ১১ তারকপদা পার্ক অসিদা হন্দক্তা নৌহৌননা শেমগৎপা সঙাই এথনিক পার্ক চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা শঙ্গাগনি। থৌরম অসিদা মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ময়ায় তাংবল লৌরগা ইকায়খুম্নরবা মীথুংলেনশিংগী মনুংদনা মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন, লেটপাও হাওকিপ, খাসিম ভাসুম, রাজ্য সভাগী এম পি নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা, টুরিজম কোর্পোরেসন ওফ মণিপুর লিমিটেদকী চ্যেরমেন করাম শ্যামনা ওইগনি। লোয়ননা লৈঙাক্কী অতৈ মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং অমসুং লোক্তাক দিভেলপমেন্ট ওথোরিটিগী চ্যেরমেননা থৌরম অসিগী অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।



HL-B/7906/20/11-19/12

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।